থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# মায় পাকপগা শেলগা লৈনবা মরী

মায় পাকপা মীশক, 'সক্সেস-ফুল পার্সন', অমা ওইবা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী মঙলাননি। অদুবু তাইবংদা পোল্লকবা মী খুদিংমক মায় পাল্লবা মী হায়বদুদি ওইরক্তে। মীওই চা কয়াগী মনুংদা অমত্তনি মায় পাক্লিবা। করম্না মায় পাক্কদগে। ঙসিদি নৈনবগী অচৌবা হীরম অমা ওইরক্লে। মায় পাকপগী অশন্বা লম্বী- এ সোর্ট কট ৰে টু সক্সেস- অদুনি পুম্নমক্না পাল্লিবা। কুইনা শাংনা করিগুম্বা হীরম অমদা হোৎনজরকপই মহয় ওইনা ফংবা মায় পাকপদুনত্তবা! হনুবা হনুবী পান থাবই ৰারীদা, ঙসি অহিং থাখিবা পান-মরূ অদুনা নোংঙাল্লকপদা শারেপ ফারম্বা পান্বী'দুগুম্বা, ওভরনাইট- সক্সেস-ফোর্মুলা অদুনি ঙসিগী মীরোলনা পাল্লিবা। মতাংসিদা হাইফেৎ নৈননিংলকই- মায় পাকপা হায়বসি করিনো? তৌরুবা থবক অমা মপুং ফানা পাঙথোক'ঙমখিবা (মঙ্গল ওইরকপা) অদুবু মায় পাকপা কৌবরা? হুরান চীন্থি, ওইদ-পাদা তৌদুনা মরল-মথুম লেপশিনবা, ইনাক খুনবা শেল পায়বা ওইরকপা- অদুসু মায় পাকপা কৌবরা? শেল পায়দবা মীশক্তি মায় পাকপা কৌদবরা? মহৈরোয় ওইরিঙৈ মকোক থোংদুনতা লাকখিবা, শেলগী সপোর্ট ৰাৎপনা ডোক্তর/ইঞ্জিনিয়ার ওইহৌদ্রবা, ডোক্টরেট দিগ্রীসু পায়হৌদ্রবা, তুংগী য়ুম্বী ওইগদবা মহৈরোয় শেম্বদা কথোক্লবা মহাক্না; স্কুলগী ক্লাস'তা মনিংদতা ফমখিবা, মেত্রিক-পি-য়ু লানখিদবা, চহী খরা মাঙলুরগা নোংমা ফুং ফাওরক্তুনা কোনুংগুম য়ুম শারকখিবা, মমল য়াম্বা কার তোংদুনা ভোট খোম্বা চৎলিবা মহাক্না, করম্বনা হেন্না মায় পাকপা মীশক্লো? করম্ববু খনবীগদগে? থম্মোয় শেংনা হায়বীয়ু। ঐদি থাজে- অয়াম্বনা হায়রক্কনি অকোনবগী মী মখল অসিনি, 'মীনা ঈকায় খুম্নবা মায় পাকপা মীশক'।

মায় পাকপগী ৰাহন্থোক ঈরায় লায়না হনগুমসি। মরল মথুম পৈশিনবা ঙম্বদুবু কৌগদ্রা? শেল হেন্দোক্না পায়দ্রবসু পূক্লিং-ৰাখল নুংঙাইনা লেনবা ঙম্বদুবু কৌগদ্রা? মালেমগী অয়াম্বা মফমশিংদদি লন-থুম, ঈকায় খুম্নবা অমদি মিংচৎ পুরকপা ঙম্বা মীশক্তুবু কৌই- মায় পাকপা। কনাগুম্বা অমনা মতম চঙনা, পামজনা হোৎনজরকপা থবক অমা পাঙথোকপা ঙম্লকপা অদুসু মায় পাকপা কৌই। 'বোর্ন টু ৰিন' কৌবা মমিং চৎলবা লাইরিক অদুগী অইবা, মোটিভেটর 'জিগ জিগলর'না হায়- মায় পাকপা হায়বসি করিনো, ৰাহৈ পরেং অমখক্না কৈদৌঙৈদা মশক তাকপা ঙম্লোই। ঙসিগী থম্মোয় পাউদমসু, মায় পাকপগী মরমদা মায় পাক্তবা অমনা তম্বা পাউদম অদু নৎচদে। ইচম চম্না পঞ্জরুবনি মীপুম খুদিংনা মিতাজবা, ফংঙমদবা পোৎশক অসি করিনো!

অদুবু, থম্মোয়সিনা কন্না ইনশিল্লি- মায় পাকপা হায়বসি মপান নাইদবা লন পৈশিনবা ঙম্বা মীশকঅদুনি। করম্বা লন? ৰাহংসিননি লম্মুক্নহল্লিবা পুম্নমকপু। সনা-লুপা-মনি-মুক্তা ইনাক্তা পৈদুনা লৈরগা ইরল লৈবা কৌগদ্রা? নোংমা পুল্লপ মাঙখিবদা, হুরানবনা হুখিবদা ইরোন-ইরান তাক্কদবা লন অদুদি লন নত্তে অশেংবা। অরোনবা ইমুংগী উপুদা পৈশিন্দুনা থল্লিবা শেল 'মপুন-মপুন'দুসু লন নত্তে অদোমগী। খঙহৌদনা হৌরকপা মৈজাও অমদা মাঙখিদৌবা, ইপোৎনি খন্না কোনশিল্লুবা মমল য়াম্বা পোৎশকশিং! মরল নত্তে কনামত্তগী। ইপোৎ নত্তবা ইরলদুদি পৈশিল্লুবই করি কান্নে। কান্নদবা থবক তৌরিবা মহাক্তুদি করম্না অশিংবা কৌরুনি? অপংবা মী অমবুসু মায় পাকপনি করম হায়গনি?

মায় পাল্লবা মী! মায় থীরবা ময়ামগী ফিদম মশক অমনি। মায় পাল্লবা মী অমত্তনা তানশিল্লুবা মরল মথুম পৈশিন্দুনা থল্লমদে। সনা, লুপা, লেন্দ, বিল্ডিং, দাইমন্দ... লেপ্তুনা তাদুনা লৈহন্দবা, শীজিন্নফম খঙনা শীজিন্নদুনা অহেনবা লন তানশিল্লকপা, অহেনবা পুক্কে অদুনা অতোপ্পা কয়াবুসু নুংঙাইহনবা, মপোৎ-মরল লেপশিনহনবা... অদুবু কৌই অশেংবা মায় পাল্লবা মী, ইনাক খুনবা মী। মথন্তা ইনাক খুল্লগা লায়রবা ময়াম্না কোয়শিনবা- মহাক্তুদি নত্তে 'মায় পাকপা মী'। পীথোকপদা হালেংদবা, পীথোক্লগা হেনগৎপা, অদুবু কৌই 'ইনাক খুনবই মরল। অমম্ববু ঙালহল্লিবা মৈরীদুনা চুখিবা মৈরী লীশিং লীশিংদুনা মাগী মঙাল হন্থহনবা ঙম্বরা? পীথোক্তিবা লৌশিংনা মপুং ফাদবা অদুগুম, অতোপ্পা কয়াবুসু ইনাক খুলহনবা ঙমদবা ইনাক খুনবা, ইনাক খুনবা নত্তে। মায় পাকপা মী শেম্বা ঙমদবা মহাক্তুসু নত্তে মায় পাকপা। ৰেল্থক্রিয়েসন/লন লেপশিনবা হায়বসিসু লেপ্তুনা চেন্থরিবা অকনবা ঈচেল অমগুম্বনি। ঈচেলদুগা ঈরোয়ননা চেনগদবনি 'মীওইবগী অশেংবা লন'। ঈচেলদুগী তোর্বান্দনি পৈশিল্লমগদবা লন-থুম, তোর্বানদুদা লেপ্তুনা করম্না মরল খুনগনি। নীংশিংবীয়ু- ফমদুনা লৈবা কনামত্তা মায় পাকপই লম্বীদা চৎখিদ্রি।

লৌশিং পুক্কে অমদি লনগী পুক্কে- অনী অসি তানবা ঙম্বা অদুনৎত্রা মায় পাকপা? ৰাহৈ শকওং কয়া থোক্না হুল্লবসু অনীসিমদি কৈদৌঙৈদা হুন্দোকফরোই। অদুনদি, ৰাহৈ-সিমসু কনামত্তনা ককঙল্লোই- মায় পাক্লবগীদমক্তা, লন লেপশিন্ন-বইদমক্তা 'শেল'-খ্বাইদই মরুওইবা খুৎলায়নি। শেল তান্নবইদমক্তা, কৈদৌঙৈদা শেল তুংশিন্দুনা থল্লোইদবনি। তুংশিন্দুনা/পৈশিন্দুনা থম্বা শেল, মায় পাকপা মীশক অমগী খোঙলোয় কৈদৌনুংদা ওইরক্লোই। শেল, মতম-চুপ্পদা পোখাদবা, তুংশিন্দুনা লৈতবা, লেপ্তুনা চেল্লিবা ঈচেল অমগুম্বনি। ঐগী ইখুৎতা লৈরম্বা শেল'না অদুক্কী মতিক পোখাফম খঙদ' চেল্লিমখৈ, অদুক্কী মতিক মমল য়াম্বা ইরলনা ঐগী ইতুং ইল্লক্কদৌরিবনি। মহাক্না খোঙজেল য়াঙনা চেনবা ঙল্লিবগী মতিক, মহাক্কী মচা-মশু হেন্না শন্দোকপা ঙল্লিবনি। মরমদুনা ওইবা তাই, ইংরাজিদা মনি (শেল) হায়বসিগী অতোপ্পা মমিং 'করেন্সি' হায়না থোল্লল্লিবা! মসিদি লেপ্তুনা চেল্লিবা 'করেন্ট' (ঈচেল) অমনি।

মরম অসিনা, পুন্সিদা মায় পাকপা পাল্লবা, ইনাক খুনবা পাল্লবা, মরল লৈবা পাল্লবা, শেল পায়বা পাল্লবা... নখুৎতা পায়বা শেল অদু ফুরিৎখাউদা হাপ্পুনু, উপু মনুংদা থল্লনু। ঙসিমক খরচ তৌথোকখো, ময়োল চোংবতা ঙায়রিবা পান্বীদুনা গ্রেভিটিগী মায়োক্তা নোংদোল তম্না কাবগুম, অনৌবা ময়োল চোংহল্লু।



লৌশিং পুক্কে

# অঙাংদা তোয়না মায়োক্লগনবা পূক নাবগী অৰাবা

চপ চাবা মরম খঙদবা মওংদা অঙাংশিংনা পূক নাবগী কমপ্লেন্ট তোয়না তৌরকপা মমা-মপা খরনা শোয়দনা থেংনরল্লগনি। অঙাং খরদি পূক নাবদগী স্কুল কাবা ঙমদবা, মমান্নবগা শানবফাওবা ঙমদবা য়াওরিবনি।

স্কুল কাবগী চহী মতাং য়ৌরবা অঙাং চাদা ১০ দগীনা চাদা ২০ ফাওবা পূক নাবগী অৰাবা মায়োক্লরি। অখঙ-অহৈশিংনা হায়খি, অয়াম্বা মতমদা অলসর, ইনফ্লেমেসন অমসুং ইন্টেষ্টাইন ফুনবদগী মীওইবদা পূক নাহল্লি। অদুবু পীক্লিবা অঙাংশিংদদি ফঙ্কসনেল গ্যেষ্ট্রোইন্টোষ্টিনেল দিসওর্দর, ইরিটেবল বাৱেল সিন্দ্রোম অমসুং ফঙ্কসনেল দিসপেপসিয়ানা মরম ওইরগা পূক নাহনবনি হায়রি।

অঙাংশিংনা চাউ-থকউ হায়বা য়াদবগা লোয়ননা পূক নাবগী কমপ্লেন্ট তোয়না তৌরকপা নীংথিনা খঙদে হায়রি। মদুনা মরম ওইরগা অঙাংশিংদা ওন্ন-তৈনবা হীদাক কয়া থারি।

ওহাইয়োগী চিলদ্রেন'স হোস্পিটালদা পেদিয়াট্রিক গ্যেষ্ট্রোইন্ট-রোলোজিগী মকোক ওইনা লৈবা ডা. কার্লো দি লোরেঞ্জোনা হায়খি, কান্নদবদা ডোক্তরশিংনা মখল কয়াগী টেষ্ট তৌহন্দুনা অরেম্বদা শেল অমদি মতম মাঙহল্লি। মমা-মপা ওইবশিংনদি মচাবু ফহন্নিংলিবনি হায়দুনা অঙাং লায়েংলিবা পেদিয়াট্রিসিয়ন অমগী মনাক্তা হেক্তা পুরগা লায়েংই। অঙাংনা তোয়না মপুক নাবগী মতাংদদি নীংথিনা খঙ-হৈরবা পেদিয়াট্রিক গ্যেষ্ট্রোইন্টরোলোজিষ্ট অমগা তান্নগদবনি হায়বসি মমা-মপা অয়াম্বনা খঙনদে হায়রি।

ন্যু জর্সিগী মোরিসটাওনদা লৈবা গোরিয়েব চিলদ্রেন'স হোস্পিটালগী পেদিয়াট্রিক গ্যেষ্ট্রোইন্টরোলোজিষ্ট ডা. নাদর এন য়ুসেফনা হায়খি, অঙাংশিংদা পূক নাহল্লকপগী চপ চাবা মতমদা হীদাক লাংথক ফনা য়াম্না থারবসু থোইনা কান্নবা ফংদে। মদুদা স্কুল কানিংদবগী তাৎ তৌশিন্নরিবনি হায়দুনা চৈবীবসু য়াওদবা নত্তে।



গ্যেষ্ট্রোইন্টেষ্টিনেল এক্সপার্টশিংগী মোত মতুংইন্না ডোক্তর অয়াম্বা অঙাংনা পূক নারকপা মতমদা কমদৌনা লায়েংগদগে হায়বা মরম খঙদোক্লবগীদমক থোইদোক-হেন্দোক্না মখল কয়াগী টেষ্ট তৌবা মথৌ তাই। অহলশিংদা পূক নাবা ফহন্নবগীদমক কোগনিটিভ বিহেবিয়রেল থেরাপি, রিলেক্সেসন টেক্নিক অমদি মসাজ থেরাপিনচিংবা মখল কয়াগী ওল্টর্নেটিব ট্রিটমেন্ট চথরবসু অঙাংশিংদদি থোইদোক্না কান্নবা ফংদে।



হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা কুপ্না থিজিনবদা ব্রেন অমদি ইন্টেষ্টাইনগী মরক্তা লৈনবা মরীগী মতাংদা মথং মথং খঙলকখি। গ্যেষ্ট্রোইন্টেষ্টিনেল ট্রেক্ট অসি নর্ভ সেলশিং অমসুং ন্যুরোট্রান্স-মিটরশিংগী মরক্তা লৈবনি। হকচাংগী ন্যুরোট্রান্সমিটর চাদা ৯৫ রোম ইন্টেষ্টিনেল ট্রেক্টতা লৈ। মরম অদুনা অঙাংদা খজিক্তং ওইরবসু পূক্লিং ৰাখল নুংঙাইতবা ফাওরকপা, নৎত্রগা মখল অমগী অহোংবা লাকপা মতমদা পেন সিগনেল অমা ব্রেন য়ৌখিবদগী পূক নাবা ফাওরকপনি হায়রি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়া, লোস এঞ্জেলিসতা দেবিদ গেফেন স্কুল ওফ মেদিসিনগী পেদিয়াট্রিক পেন প্রোগ্রামগী দিরেক্টর ওইনা লৈবা ডা. লোনি জেলটরনা হায়খি, ব্রেন অমদি ইন্টেষ্টাইনগী মরক্তা পাউ ফাওনবদা অশোয়বা লৈবদগী মরম ইচা-চাদনা পূক নাবা য়াওরকই। মতমদুদা অনাবা ফহুন্নবা হীদাক লাংথক ফনা য়াম্না থারবসু থোইদোক্না কান্নবা ফংলোই। মরম অদুনা হেন্না হেন্না চৈনাখোল ফাওরকই।

করি মরমদগী হাইপরসেন্সিটিভি ওইদুনা ব্রেন অমসুং ইন্টেষ্টাইনগী মরক্তা পাউ ফাওনবদা অশোয়বা লৈরক্লিবনো হায়বদু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। চাকখাউদা তীন লৈবা নৎত্রগা ইনফেক্সননা ওইহল্লকপা ওইরম্বসু য়াই হায়না অখঙ-অহৈশিংনা থাজনরি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ কেলিফোর্নিয়া, লোস এঞ্জেলিসকী দেবিদ গেফেন স্কুল ওফ মেদিসিনদা পেদিয়াট্রিক পেন প্রোগ্রামগী দিরেক্টর ওইবা ডা. লোনি জেলটরনা ইবা 'কঙ্করিং য়োর চাইল্ড'স ক্রোনিক পেন: এ পেদিয়াট্রিয়ন'স গাইদ ফোর রিক্লেমিং এ নোর্মেল চাইল্ডহুদ' কৌবা লাইরিক অমগী মতুংইন্না ইমুং অমদা লৈবা মীওই পুম্নমক ভাইরেল গ্যেষ্ট্রোইন্টরাইটিস নারম্বদগী অতৈ মীওই পুম্নমক লোয়না ফখ্রগা অঙাং অদুখক মখা তানা নাদুনা লৈহৌবা য়াওই হায়রি।

অঙাং অমসুং ইনখৎলল্লিবা মীওই খরদা খুদোংচাদবা অসি মায়োক্লরবসু অতোপ্পা খরনা মায়োক্লদ্রিবা করিগীনো হায়বা এক্সপার্টশিংনা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক পূক্লিং ৰাখল চরাংনবা অমদি খোয়রাং খোয়শাউনবনা খুদোংচাদবা অসি ওইহল্লকপা ওইরম্বা য়াই হায়না থাজনরি।

'পেদিয়াট্রিক্স' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা য়ুনিভর্সিটি ওফ পিটসবর্ঘকী রিছার্চরশিংনা হায়খি, এঞ্জাইটি দিসওর্দর লৈবা অঙাং অয়াম্বা য়াম্না তোয়না পূক নাবগী অৰাবা মায়োক্লবা থেংনৈ। মরম অদুনা অঙাংশিংবু য়ারিবমখৈ পূক্লিং ৰাখল লৈতানা লৈহনবা মথৌ তাই। হীদাক লাংথক পীজবখক্তনা কান্নবা ফংলোই হায়রি।

# ঈ ভি এম ফেমিলরাইজেসন কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৩০(ঐচ এন এস): সিষ্টেমেটিক ভোটর এদ্যুকেসন এন্দ ইলেক্টোরেল পার্টিসিপেসন (এস ভি ঈ ঈ পি) প্রোগ্রামগী মনুং চন্না ঙসি দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসর, ইম্ফাল ৱেষ্টকী মীৎয়েং মখাদা ৰাই দি ও ক্লব, শগোলবন্দ লুক্রাম লৈরক মচিন তেরা কৈথেলদা ঈ ভি এম অমদি ভি ভি পেট ফেমিলরাইজেসন কেম্প্যেন পাঙথোকখ্রে।

দি ঈ ও, ইম্ফাল ৱেষ্টকী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা ঈ ভি এম অমদি ভি ভি পেট ফেমিলরাইজেসন প্রোগ্রাম অদুদা এস দি ও, পাৎশোই এম দি দাউলট খাননা ভি ভি পেট অমদি ঈ ভি এমগী মতাংদা ৰা ঙাঙখি। ঈ ভি এমদা মতৌ করম্না ভোট থাদগনি হায়বগী মতাংদা ৰাফম কয়া ফোঙদোকখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ভোটরস গাইদসু য়েন্থোকখি। আই ৱিল ভোট ইন ফ্রি, ফ্যের এন্দ পিছ ফুল হায়বা থীম সপোর্ট তৌরদুনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা পার্টিসিপেন্টশিংনা অঙৌবা মচুগী বেন্নরদা খুৎয়েকসু পীখি। লমদম অদুগী অকোয়বদা লৈবা স্কুল কয়াগী মহৈরোয় অমদি মীওই কয়ানা প্রোগ্রাম অদুদা শরুক য়াখি।

কেম্প্যেন অদুদা শরুক য়াখিবা দি ঈ ও, ইম্ফাল ৱেষ্ট রোবার্ট সিংহ ক্ষেত্রিময়ুমনা ফোঙদোকখিবদা, ভোটরশিংনা ঈ ভি এম অমদি ভি ভি পেট শীজিন্নবগী মতাংদা খঙহন্নবা কেম্প্যেন অসি পাঙথোকপনি। ভোটরশিংনা ঈ ভি এমদা চুম্না ভোট থাদবা হৈহনবা মথৌ তাই হায়নসু ফোঙদোকখি।

দি ঈ ও ওফিস, ইম্ফাল ৱেষ্টকী ষ্টাফ কয়াসু থৌরম অদুদা শরুক য়াবগা লোয়ননা ভোটরশিংদা ঈ ভি এমগী মতাংদা খঙহন্নবা হোৎনবদা থৌদাং লৌখি। মোদেল কোদ ওফ কন্দক্টতা য়াওরিবা হীরম কয়াসু পার্টিসি-পেন্টশিংদা খঙহন্নবা ৰাফম কয়া ফোঙদোকখি। তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা মীওইশিংনা কেম্প্যেন অদুদা শরুক য়াখি। ঈ ভি এম মেছিনদা ভোট থাদবগী মওংশিং ওফিসলশিংদা হংখি অমদি ওফিসলশিংনসু দেমোনষ্ট্রেসন তৌদুনা উৎখি।

# লীগেল এইদ ক্লিনিক হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৩০ (ঐচএন এস): মণিপুর ষ্টেট লীগেল সার্ভিস ওথোরিটি অমদি দিষ্ট্রিক্ট লীগেল সার্ভিস ওথোরিটি, থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা লীগেল এইদ ক্লিনিক অমা ঙসি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ওল বেকৱার্দ এন্দ ইকনমিক দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন ওবজার্ভেসন হোম, সমরামদা হাংদোকখ্রে।

থৌবাল, য়াইরিপোক অমদি কিয়াম লৈতানপোক্তা হাংদোকখ্রবা মতুং ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অদুদা মরিরকশুবা ওইনা লীগেল এইদ ক্লিনিক হাংদোকখি। থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট লীগেল সার্ভিস ওথোরিটিগী মেম্বর সেক্রেটরি আর কে মেমচা, দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ, থৌবাল সলাম ইমোচা, চীফ জুদিসিএল মেজিষ্ট্রেট, থৌবাল ওজেস মুতুম, জুদিসিএল মেজিষ্ট্রেট ফর্ষ্ট ক্লাস অমদি নেপ্রম সোনিকুমারসু অথোইবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

লীগেল এইদ ক্লিনিক অসি হাংদোকপগা ঈরোয়ননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিএসনগী মেম্বর এদভোকেট কে ঐচ অরুনজয়না রিছোর্স পার্সন ওইদুনা লীগেলগা মরী লৈনবা হীরমশিংদা ৰা ঙাঙখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট সেসন জজ সলাম ইমোচানা ফোঙদোরকপদা, দিষ্ট্রিক্ট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী লৈরিবা মীওইশিংনা লীগেলগী হীরমশিং হান্না খঙনবা হোৎনবা তঙাইফদে। ৰায়েন হেন্না খুদোংচানবা লীগেল এইদ ক্লিনিক অসি হাংদোকপনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## স্পোক্সপার্সন হাপখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৩০ (ঐচ এন এস): সী ঐচ চিদানন্দবু স্পোক্সপার্সন ওইনা খনবগা লোয়ননা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট স্পোক্সপার্সনগী জোইন্ট কো-ওর্দিনেটর ওইনা এসাইনমেন্ট পীরে হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী চীফ স্পোক্সপার্সন প্রোফেসার এস টিকেন্দ্রনা ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট প্রসিদেন্টকা খন্নরবা মতুংদা সী ঐচ চিদানন্দবু স্পোক্সপার্সন ওইনা খনবগা লোয়ননা জোইন্ট কোওর্দিনেটর ওফ ষ্টেট স্পোক্সপার্সন বি জে পি মণিপুর ফোর মীদিয়া এফিয়ার্সকী এসাইনমেন্ট পীখ্রে।

# এম এস এফকী এফ ঈ সী ইলেক্সনদা খল্লবা কেন্দিদেটশিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৩০ (ঐচএন এস): মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) কী ফেদরেল ইগজিক্যুটিব কাউন্সীল ইলেক্সন ২০১৭-১৮ দা খল্লবা কেন্দিদেটশিংগী মিং লাউথোকখ্রে।

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী ফেদরেল ইগজিক্যুটিব কাউন্সীল ইলেক্সন ২০১৭-১৮ গী রিটর্নিং ওফিসর উদোয় লুৱাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, খল্লবা কেন্দিদেটশিং অদুদি, প্রসিদেন্টদা খুন্দ্রাকপম মেক্স, ৱার্কিং প্রসিদেন্টতা নোংথোম্বম মুক্তাঙম্বা, ভাইস প্রসিদেন্টতা, ওইনাম প্রেমসাগর, কোন্সম মোমোচা অমসুং এম দি বুরানুদ্দিন, জেনরেল সেক্রেটরিদা দল্লিয়ু ৰাংলেম্বা, জোইন্ট সেক্রেটরিদা বি এম সজাদ, এক্সটর্নেল এফিয়ার্স সেক্রেটরিদা নিংথৌজম জুগে, ফাইনান্স সেক্রেটরিদা থৌদাম হেম্বা, এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরিদা নাওরেম বোইনাও মৈতৈনি।

পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা ময়াংলম্বম বিদ্যানন্দা, এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা এলাংবম আনন্দ, ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা এম দি জীশন, এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা হিদম ভুমেশ্বরী, ওদিটর জেনরেলদা ওইনাম উমাজিৎ, কো-ওর্দিনেটরদা এলাংবম কিরনমালা, ৱিমেন এফিয়ার্স সেক্রেটরিদা ৰাংখেম হান্নাহ, এসিষ্টেন্ট ৱিমেন এফিয়ার্স সেক্রেটরিদা তোসজম মেনকানি।

গেমস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরিদা খাঙেম্বম বিদ্যাসাগর, আর্টস এন্দ কলচরদা ঙাইরাংবম চন্দ্রজিনি, ইগজিক্যুটিব মেম্বরদা এম দি সদাম, হিদম ভিক্রমজিৎ, অচোম বিনোদ, দাইনা নোংমাইথেম, নোংথোম্বম দীপক মৈতৈ, এম এম দেৱাদ খান, ওইনাম অজয়, মোইরাংথেম চিংখৈহুনবা অমসুং এম এম জিয়ুলহাক্যুনি।

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) কী ১৯ শুবা ফেদরেল ইগজিক্যুটিব কাউন্সীল ইলেক্সন ২০১৭-১৮ দা কেন্দিদেটশিং অসি খনখিবনি হায়না রিটর্নিং ওফিসর ফেদরেল ইগজিক্যুটিব কাউন্সীল ইলেক্সন ২০১৭-১৮ না থোকপা চেরোলসিনা মখা তারি।

# অৰাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৩০ (ঐচএন এস): ইথম মোইরাং পুরেনদগী থা অসিগী ২৬ কী নুমীদাংদা ফাখিবা শিন্মী অনীবু তমথীনা মীনুংশি লৈতনা হাৎখিবা অসি ইন্টরনেসনল মীতৈ ফোরমনা ঙমখৈ লৈতনা অৰাবা ফোঙদোক্লি হায়না ফোরম অসিগী কনভিনর সী ঐচ বিরেন্দ্রনা ঙসি প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

শুমাং তানা শু-নোম্লগা ইমুং পুরিবা লায়রবা মীওইশিংবু শা-উচেক্লম হেক্তা হাৎতোকপা হায়বসি মীওইবগী হৌন-লোনচৎ নত্তে। নোংমৈ পায়রে, পাঙ্গল কল্লে হায়দুনা মতু-মমান শোনবা মীবু তুম্মীৎ কাঙগুম খনবা ৰাখল অসি থাদোক্কদবনি। তমথীরবা থবক অসিদা হালেংবা লৈতনা চথরিবা মীওইশিংগী মথক্তা ইন্টরনেসনল মীতৈ ফোরমনা অকনবা এক্সন লৌখৎলগনি। মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি মীওই খুদিংমক্না অসিগুম্বা ফৎতবা লীচৎ অসিবু অথিংবা পীবদা মতেং পাংবীয়ু।

থা অসিগী ২৬ কী নুমীদাং পুং ৮ তাবদা ইথম মোইরাং পুরেনদগী ফাখিবা শুরগা ৰানা হিংজরিবা শিন্মী অনীবু তমথীনা মীনুংশি লৈতনা হাৎখিবা অসি ইন্টরনসনল মীতৈ ফোরমনা ঙমখৈ লৈতনা অৰাবা ফোঙদোক্লি হায়নসু ফোরম অসিগী কনভিনরনা থাদোরকপা চেরোলদুনা মখা তারি।

# 'শেন্মীৎলোন শাথিবা ফীভম ওইহনখিবগী ব্লেক দে পাঙথোক্কনি'

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৩০ (ঐচএন এস): ইন্দিয়াগী শেন্মীৎলোনবু খঙহৌদনা শাথিবা ফীভমদা ওইহনখিবগী সোসল দেমোক্রেটিক পার্টি ওফ ইন্দিয়া (এস দি পি আই) না ব্লেক দে পাঙথোক্কনি হায়না এস দি পি আই, মণিপুর ষ্টেটকী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা প্লান য়াওদনা দিমোনেটাইজেসন তৌখিবদগী ঙসি শেন্মীৎলোন অসি শাথিবা ফীভমদা ওইহনখিবনি। থৌদোক অসিবু কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা অসিগী ৩১ দা লৈবাক শিনবা থুংনা ব্লেক দে পাঙথোক্কনি। পার্টি অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি থুম্বেনা অমুক্কসু পি এমনা লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসিনা লৈবাক অসিগী মীয়ামদা শাথিবা শাফু পীহল্লে হায়না মখা তানা ফোঙদোকখি।

তশেংনমক মসিদি দেমোক্রেসিবু খোঙ্গাওনবা অমদি মীওৎ-মীনৈগী থবক্নি। দিমোনেটাইজেসন তৌরবা মতুং থা অনী ফারল্লবা ফাওবা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না নুংতিগী চাং নাইনা শীজিন্নরিবা মথৌ তাবা পোৎলমশিং ফংনবগীদমক পীল্লবা শেনফম খরগীসু শুফম-নোম্ফম ফংনবা থীরি। মশানা বেঙ্ককী একাউন্টতা থমখিবা শেনফম অদু লৌথোকচগে হায়বদা লৌথোকপা ঙম্হন্দবা হায়বসি মালেমগী লৈবাকঅমত্ত লৈত্রে। শেল-থুমগী ক্রাইসিস অসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াগী শেন্মীৎলোন লৈখা তাহন্দুনা হন্থবা থাক্তা লৈহল্লে।

থৌদৌ অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোল্লিবা মীওইশিং অদুবুনা ব্লেক মনি শান্নবশিংবু শৌগৎপা মীওইনি হায়না লান্না লৌরি। মীয়ামগী খোল্লাউবু নমথনবা হোৎনৈ হায়না এস দি পি আইগী জেনরেল সেক্রেটরি ইলিয়াস থুম্বেনা হায়খি, বি জে পিনা লুচিংদুনা সেন্টরদা লৈঙাক হেক পায়খিবদগী মীওৎ-মীনৈ চথহন্নবা প্লান কয়া পুথোক্তুনা লৈরে। পোলিটিসিয়নশিংগী খোল্লাউবু ঈকায়বা খঙদবমখৈ নাথৈদুনা থমদুনা দেমোক্রেটিক্কী খোল্লাউবু নমথদুনা থল্লি। লৌখৎলিবা থবকশিং মীয়ামগী মায়োক্তা চথরকপা থৌওং ঙাক্তনি। মীয়ামগী মায়োক্তা পায়খৎলক্লিবা থবকশিং অসিগী মায়োক্তা এস দি পি আইনা থা অসিগী ৩১ দা ব্লেক দে পাঙথোক্কনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# টি বি এ ৱাই এফ গোস্পেল ওলেম্পিক কম আইকোন লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৩০ (ঐচএন এস): থাদৌ বেপটিষ্ট এসোসিএসন য়ুথ ফেল্লোশিপ গোস্পেল ওলেম্পিক কম আইকোন ২০১৭ ঙরাং কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা হাইপি ভিলেজদা লোইশিনখ্রে।

চয়োল অমা চুপ্না পাঙথোরকখিবা থৌরম অদু পাসিং এন্দ দ বটন ওফ লাইট হায়বা থীমদা য়ুথ দিপার্টমেন্ট থাদৌ বেপটিষ্ট এসোসিএসন্না শিনবনি। থাদৌ বেপটিষ্ট এসোসিএসন য়ুথ ফেল্লোশিপ গোস্পেল ওলেম্পিক কম আইকোন ২০১৭ তা জিরিবাম, টুইপাজাং, টুইলাং, কে কেলজাং, কৈথেলমানবী অমদি মোটবুং এরিয়াদগী দেলিগেট ৯৫০ রোম্না শরুক য়াখি। থৌরম অসিগী মনুং চন্না নুপাগী ফুটবোল, নুপী অমদি নুপাগী ভোলিবোল, কলচরেল দান্স, বাইবল ক্যুইজ, মিটর ১০০ গী লমজেলনচিংবসু পাঙথোকখি।

চয়োল অমা চুপ্না চথবা ইভেন্ট অদুদা টি বি এগী ইগজিক্যুটিব সেক্রেটরি ভি সিটলৌ, রেবরেল লেটকাম সিটলৌ, পাষ্টর গেলজাং এরিয়া, রেবরেল ঙমহাও তাওথাং, মোরে সেন্টর চর্চকী পাষ্টর, কাংপোকপী সেন্টর চর্চকী পাষ্টর কে হংসিং অমদি ইম্ফাল সেন্টর চর্চকী পাষ্টর কাইগোলুম লোবুমনা ইভেন্ট অদুগী মেন স্পিকর ওইখি।



কৈথেলমানবীদগী হাইপি ভিলেজ ফাওবা টোর্চ রেল্লি অমসু চেনখি। থাদৌ ট্রেদিসনল ট্রম্পপেটসু থিনখি। থাদৌ বেপটিষ্ট এসোসিএসন য়ুথ ফেল্লোশিপকী সেক্রেটরিশিংসু ৱাশক লৌখি। থাদৌ বেপটিষ্ট এসোসিএসন য়ুথ ফেল্লোশিপকী লৈখিদ্রবা লুচিংবশিংগী মফমদসু অৰাবা ফোঙদোকখি। চয়োল অমা চুপ্না চথুরকখিবা থৌরম অসিগী মনুং চন্না পাঙথোকখিবা তোঙান তোঙানবা মশান্নশিংগী মকোক মথং তাখ্রবশিংদসু মনা পীদুনা ঈকায়খুম্নখি। আইকোন ৱিন্নরসু লাউথোকখি।

এক্স-এম এল এ থাংমিলিয়েন কিপজেন, এম এস পি দি সী এলগী মেনেজর কামখোহাও লৌবুমসু থৌরম অদুদা স্পেসল ইনভাইটি ওইনা শরুক য়াখি। এদিসনল প্রিন্সিপাল চীফ কঞ্জার্ভেটর ওফ ফোরেষ্ট এন কিপজেন, আই পি এস লুনি কিপজেন, এস বি আই, কাংপোকপীগী কেস মেনেজর থাংলেনসৈ কিপজেনসু ইভিনিং সেসন্দা স্পেসল ইনভাইটি ওইনা শরুক য়াখি। আইকোন কন্টেষ্টতা অহানবা, অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন তাখ্রবা মীওইশিংসু লাউথোকখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# থৌ পুগদবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জান্যুৱারী ৩০ (ঐচএন এস): ওল মণিপুর গোর্খা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ইলেক্সন ঙরাং কংলাতোংবীদা লৈবা য়ুনিয়ন অসিগী ওফিসতা পাঙথোক-খিবগা লোয়ননা য়ুনিয়ন অসিগী চহী ৩ গী টার্মগী থৌ পুগদবশিং খনখ্রে।

ওল মণিপুর গোর্খা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী থৌ পুনবগীদমক খল্লবশিং অদুদি, এল ভি অধিকারি (প্রসিদেন্ট), পুজা থাপা অমদি সুনিতা বাস্কোতা (ভাইস প্রসিদেন্ট), মনিকুমার সর্কি (জেনরেল সেক্রেটরি), চন্দ্রবহাদুর বাস্নেদ অমদি রাজেন ধকাল (জোইন্ট সেক্রেটরি), সরন মেনালি (ট্রেজরর), কাসিনাথ অধিকারি (এদ্যুকেসন সেক্রেটরি), নরায়ন অধিকারি (ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি), দিলারাম বটারাই (কলচরেল সেক্রেটরি), রুদ্রা প্রোক্রেল (গেমস এন্দ স্পোর্টস সেক্রেটরি) নি।

নৌনা খল্লবা ইগজিক্যুটিব মেম্বরশিং অসিগী ৱাশক লৌবগী থৌরম চহীসিগী ফেব্রুৱারি ১২ গী অয়ুক পুং ১১ তাবদা কংলাতোংবীদা লৈবা য়ুনিয়ন অসিগী ওফিসতা পাঙথোক্কনি। নুমীৎ অসিদা জেনরেল ষ্ট্রাইকনচিংবা তৌবীগনু হায়নসু ওল মণিপুর গোর্খা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী চেরোল অমনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।